**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 24-03-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২৪-০৩-২০২৫, নিংথৌকাবা)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা খুৎশু খূৎলাই অমসুং তোঙান তোঙানবা আইননা য়াদবা লুপকী মীওই ফাগৎলে।

২) মপাল থৌরম মন্ত্রি ডা.এস.জয়সঙ্করনা হায়রি-লৈবাক অসিগী মরুওইবা থৌশিলশিংগী মনুংদা লাক্লিবা চহীশিংদা ইনজিগী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনগনি।

**অমসুং**

৩) ৱিমেন্স কবাদি ৱার্ল্ড কপ ২০২৫ ভারতনা লৌরে।

**পুলিস(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোম্পাৎ প্‌লিস স্তেসননা কোনবা অৱা চীংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা টু ইন্স মোর্তার অমা, মেগজিন য়াওবা জেরো পোইন্ট থ্রি টু, পিষ্টোল অমা, থর্তি সিক্স হেন্দ গ্রেনেদ অনি, ট্যুব লোঞ্চিং তরেৎ, এস.এম.জি কর্বাইন মেগজিন অনি, নোংমৈ মরুশিং, অমদি অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎলে হায়রি।

পুলিস কন্ত্রোল রুমা থোকপা চেরোল অসিনা হায়-কাংপোকপী জিলাগী এল ফাইকোটকী উমংশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা মেগজিন য়াওবা ইন্সাস

রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা এস.এল.আর অমা ফাগৎলে। ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমশাং পুলিস স্তেসনননা কোনবা লমদেং খুনৌদগী কে.সি.পি(পি.দল্লিয়ু.জি)গী মীওই অহুম ফারে হায়রি। মখোয় মীয়ামগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়রি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শিংজমৈ পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা নিংঙোম্বম লমখাই ক্রোসিংদগী য়ু.এন.এল.এফকী মাওই অমা ফারে। মহাকসু মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হৈঙাং পুলিস স্তেসননা কোনবা মন্ত্রি পুখ্রি বজারদগী প্রিপাক(প্রো)গী মীওই অমাসু ফারে। মহাক দুকানশিংদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

বিষ্ণুপুর জিলাগা কুম্বী তেরাখোঙদগীসু প্রিপাক(প্রো)গী মীওই অহুম ফারে হায়রি। মখোয়দগী থ্রি নোট থ্রি এল.এম.জি অমা, নোংমৈ মরু কয়া য়াওনা অতৈ পোৎলমশিংসু ফাগৎলে হায়রি।

**সহিদ (এল)ঃ** নেহরু য়ুভ কেন্দ্র থৌবালনা রোয়েল ব্রাইতর একাদেমি হায়র সেকেন্দরি সোরা চীং ৱাংমগা পুন্না শিন্দুনা সহিদ দিবসকী থৌরম স্কুল অসিদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিদা স্কুল অসিগী মহৈরোইশিং, ওজাশিং, অমদি নেহরু য়ুভ কেন্দ্র থৌবালগী মীওইশিং শরুক য়াখি।

**ডে(এল)ঃ** ইম্ফালগী তাকয়েলদা লৈবা গভর্ণমেন্ট দিফট এন্দ ম্যুট স্কুল লিংখৎখিবগী চহী ৫০ শরুকপগী থৌরম ঙসি স্কুল অসিদা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অদুদা, রাজ্যগী আই.পি.আর অমসুং মহুদকী দাইরেক্তর ঙাঙোম উত্তম সিংহ অমসুং সোসিএল ৱেলফিয়রগী দাইরেক্তর অঞ্জলি চোংথাম য়াওনা তোঙান তোঙানবা মীওই কয়া শরুক য়াগনি।

থৌরম অদুদা, না তাদবা অমসুং লোন থোক্তবা মীওইশিংগী হেন্না খুদোংচাহন্নবা মোবাইল এপ অনি হৌদোক্কনি।

**মেট (এল)ঃ** ইন্দিয়ান মেট বিভাগনা হায়রি-লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমনি অসিদা অসাম, মেঘালয়া, নাগালেন্দ, মনিপুর, মিজোরাম, ত্রিপুরা, তামিল নাদু, পুদুচেরি অমসুং লকশ্বাদিবকা মফম কয়াদা নোং চুগনি।

অরুনাচল প্রদেসকী মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ মরিনি অসিদা পুংদা কিলোমিটর ৩০ দগী ৪০ ফাওবা য়াওনা নুংশিৎ শিৎকনি অমসুং মফম কয়াদা অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুগনি। পাউ অসিনা হায়-কেরলা, মাহে, অন্ধ্র প্রদেশকী শমুদ্র খোঙবাল, য়ানম, রায়াল সিমা, অমসুং করনাতক্কাগী খা থংবা মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নুংশিৎ শিৎকনি।

মরক অসিনা অৱাং নোংচুপ ভারত্তা লাক্লিবা নুমিৎ মরিনি অসিদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৩ দগী ৫ ফাওবা হেনগৎলবা য়াই। অদগা, লৈবাক অসিগী ময়াই থংবা রাজ্যশিং অমসুং মহারাস্ত্রদা লাক্লিবা নুমিৎ মঙানিদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ২ দগী ৪ ফাওবা হেনগৎলবা য়াই হায়রি।

**জয়সঙ্করঃ** কেন্দ্রগী মপাল থৌরম মন্ত্রি ডা.এস.জয়সঙ্করনা হায়রি-লৈবাক অসিগী মরুওইবা থৌশিলশিংগী মনুংদা লাক্লিবা চহীশিংদা ইনজিগী ফীভম ফগৎহনবনি। মুম্বাইদা ঙরাং পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী জয়সঙ্করনা হায়-হৌখিবা চহী কয়াদা গ্লোবেলাইজেসন লাকপগা লোয়ননা মালেম অসি ঙসিদি ললোন ইতিক্কী থৌশিলশিং, মীরমদা পোৎচৈ থাদোক থাজিন অমসুং তারিফকী লমদা চাউনা হিদান্নরক্লি। মহাকা হায়-মালেমগী শেল থুমগী লমদা খ্বাইদগী চাউখৎপা ৫ শুবা লৈবাক ওইরিবা ভারতনা ইনজিগী লমদা চাউখৎপা অমসুং পাক চাউবা থৌশিল শেমগৎকনি।

মন্ত্রিনা হায়-ভারতকী সবকা সাদ সবকা বিকাস হায়বা থৌশিল লৈবাক অসিগী ফোরেন পোলিসিদসু চৎনরি। মসিগী মতেংনা ভারত অসি রসিয়া অমসুং

য়ুক্রেন, ইজরেল অমসুং ইরান, দেমোক্রেতিক ৰেষ্ট অমসুং গ্লোবেল সাউথ, ব্রিক্স অমসুং ক্বাদ লৈবাকশিংগা মতম অমত্তদা অফবা মরি থম্বা ঙম্বা লৈবাক অমা ওইরি।

**এনআইএঃ** চান্দিগরদা ইং ২০২৪গী সেপ্তেম্বরদা চথুখিবা গ্রেনেদ এত্তেক্টকা মরি লৈননা বাবর খালসা ইন্টরনেসনেল(বি.কে.আই) টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসনগী মীওই মরি মরাল লৈরে হায়না নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী(এন.আই.এ)না লাউথোকখ্রে। এন.আই.এগী চেরোল অমনা হায়-মীওই মরি অদুগী মনুংদা পাকিস্তানদা বেজ তৌবা টেরোরিষ্ট হরৱিন্দর সিংহ শন্ধু অমসুং অমেরিকাদা বেজ তৌবা হরপ্রিট সিংহ য়াওরি। চান্দিগরদা লৈবা এন.আই.এগী স্কিসিএল কোর্টতা থাংগৎলকখিবা চার্জ সিটতা অনলোফুল এক্তিবিতিজ প্রিভেন্সন এক্ট অমসুং দ এক্সপ্লোসিভ সস্পেন্সন এক্টকী তোঙান তোঙানবা সেসনশিংগী মখাদা মখোয় মরি অদুবু এত্তেক্ট অদু চথনবা শেম শাবা অমসুং হকথেংননা চেন্নে হায়না পল্লি।

**ক্বেইট ঃ** নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সি (এন.টি.এ) না কম্মন য়ুনিভরসিতি এন্ত্রান্স টেষ্ট (ক্বেইট-য়ুজি) ২০২৫ কী রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী মতম শাংদোক্লে। কেন্দিদেটশিংনা মখোয়গী ওন লাইন এপ্লিকেসন মে ২৪ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লকপা য়াগনি।

পরিক্ষাগী ফি পীশিনবগী মতম হান্না থা অসিগী ২৩ ওইরম্বদু তাং ২৫ গী নুমিদাং পুং ১১ মিনিট ৫০ ফাওবা শাংদোক্লে। এপ্লিকেসন শেমদোকপগী মতমনা হান্না থা অসিগী ২৬ তগী ২৮ ফাওবা ওইরগনি। ক্বেইট য়ু.জি. ইগজাম ২০২৫, মে ৮ দগী জুন অমা ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্লবা য়াই। পরিক্ষা অসি লৈবাক শিনবা থুংবদা অমসুং মপান লৈবাক্কী সহর ১৫ দা পাঙথোক্কনি।

**কবাদিঃ** ৱিমেন্স কবাদি ৱার্ল্ড কপ ২০২৫ ভারতনা লৌরে। ইংলনগী ৱোলভরহেমতনদা ঙরাং শান্নখিবা ফাহনেল মেটচতা ভারতনা ইংলনবু পাঞ্জল ৫৭-৩৪ দা মাইথিবা পীখি। টোরানমেন্ট অসিগী অহুমশুবা মফমগীদমক শান্নবদা হোংকোংনা ৱেলসপু পাঞ্জল ৭৫-১৪ দা থোইখি।

অহানবা ওইনা এসিয়া মহাদেশকী ৱাংমদা কবাদি টিমশিংনা ৱেষ্ট মিদলেন্দগী মফমশিং-বিরমিংহম, কোভেন্ত্রি, ৱালসাল অমসুং ৱোলভরহেমতনদা মেটচশিং শান্নখি। ইং ২০১৯ দা অহানবা ওইনা মালেসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা শান্নখিবা কবাদি ৱার্ল্ড কপ্তা ভারতনা নুপী অমসুং নুপাগী তাইতল অনিমক লৌখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুর হাই কোর্ট লিংখৎখিবগী চহী ১২ শুবা এন্নিভর্সরি পাঙথোকখিবা, চহী ১০ গী মনুংদা ভারত ম্যান্মার তাইনবা ঙমখৈ শম্বল খাবা লোইশিল্লগনি হায়বা পাউ, সেন্তরনা নোর্মেলসি হঞ্জিল্লকবা খোঙথাং কয়া লেপ্তুনা পায়খৎলি হায়বা আর.এস.এসকী ৱাফম ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙনরি।

মণিপুর হাই কোর্ট লিংখৎখিবা চহী ১২ শুবগী এন্নিভর্সরি পাঙথোকখ্রে, মণিপুরদা ইং তপ্পা হঞ্জিল্লকবা হোৎনবদা কম্ম্যুনিতি খুদিংমক্কী থৌদাং মথৌ তাই: য়ুনিয়ন লো মিণিষ্টর- হায়না নহারোলগী থৌদাং পাউচেদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ইচেল এক্সপ্রেস, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, সনালৈবাক, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল অমসুং মোর্নিং বেলদা অহানবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

মফম খঙড্রিবা মুকেস গভর্ণরনা করি অমত্তা হায়রক্ত্রে, মীয়ামগী লুপশিংগা মীফম পাঙথোক্লগনি: জে.এ.সি- হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কিলোমিতর ১৬৪৩ শাংবা ম্যান্মারগা তাইনবা ঙমখৈ শন্বল খাবা চহী ১০ গী মনুংদা লোইনা খাগনি: ওফিসিএল- হায়না সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরদা তংদু লৈতাবা হঞ্জিলহন্নবা সেন্তরনা লৌফম থোকপা থৌদাং লৌরি: আর.এস.এস- হায়বা পাউ মোর্নিং বেলগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

ইবুধৌ খ্বাই লাকপা হরাউবদা মরি মরাংবা থৌওং চখরুবা মীওইশিংনা উকলনা উত্রা শংলেনদা কৌখত্তুনা ৱাখল তামিন্নখ্রে হায়বা পাউনা নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

কাংলোন চুমদনা হাংবা রিহেবিলিতেসন সেন্তর থিংজিনখ্রে হায়বা পাউ ইচেল এক্সপ্রেসকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

এম.পি.বিমোল অকোইজমনা ষ্টেট অমসুং সেন্তরগী স্কিমশিং য়েংশিনখ্রে হায়বা পাউ ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরদা এন.আর.সি চৎনদ্রিবঁদা দিলিমিতেসন তৌবা য়ারোই: অমুকো-হায়বা পাউ সনালৈবাক্কী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সেনাপতি তুরেল শেংদোকপগী মনুং চন্না তুরেল অসিগী কিলোমিতর ৮ রোমগী শরুক মীয়াম হুপা শেংদোকখ্রে হায়বা পাউ সেনাপতিদা ফোঙবা হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নাগালেন্দদা অফ্রিকান স্বাইন ফিবর লাকপদগী মণিপুরদসু এলর্ট ইস্যু তৌখ্রে হায়বা পাউ গানফিউ মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**--পাউ লোইজরে--**